**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) জিরিবাম জিলাগী মোংবুং খুলদা ঙসি অয়ুক খুৎলায় মতিক চানা পায়ব শিংনা সেক্যুরিতি ফোর্সতা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা সি.আর.পি.এফকী জৱান অমা শিরে, মণিপুর পুলিসকী পার্সনেল অনি শোক্লে।

২) জিরিবাম থৌদোক অদুবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন অমসুং পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

৩) মণিপুরদা অঙৗং অশাগী খলদা চাউনা শিংনরক্লিবা অসিগী য়েংলগা মফম কয়াদা উ চারাশিং থাবগী থবক অমসুং কেম্পেনশিং চত্থরি।

৪) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি এক পের মা কে নাম কেম্পেন হৌদোক্তুনা নোংমদা উ চারা লাখ ১১ থাদুনা ৱার্ল্ড রেকোর্দতা চন্নবা হোৎনরি।

অমসুং

৫) য়ুরো কপ ফুটবোলগী ফাইনেলদা ঙসি নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপা মতমদা বার্লিনদা স্পেনগা ইংলেনগা শান্নরগনি।

------

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী মোংবুং খুলদা ঙসি অয়ুক খুৎলায় মতিক চানা পায়বা কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা সেক্যুরিতি ফোর্সতা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা সি.আর.পি.এফকী জৱান অমা লৈখিদ্রে। মণিপুর পুলিসকী

পার্সনেল অনি শোক্লে। পুলিসকী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯ মখায় অদুৱাইদা জিরিবাম সহরদগী খা রোমদা কিলোমিতর ৭-৮ লোম চৎলগা লৈবা মোংবুং খুলদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা পার্সনেল অদু ২০ শুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফকীনি। শোক্লবা মণিপুর পুলিসকী মীওই অনি অদু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল জিরিবামদা লায়কন্নরি। অদুমওইনমক, মখোয় অনিগী ফিভম খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়রি। থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা মফম অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অহেনবা কাংবু চংশিন্দুনা থিবা হুন্বগী থবক চখখি। হৌজিকমক্কী ওইনা মীফা মীপুনগী পাউ লৈত্রি।

পাউ অদুনা মখা তানা হায়- লৈখিদ্রবা সি.আর.পি.এফকী পর্সনেল অদু বিহারগী বঙ্কি ভিলেজদগী আজয় কুমার ঝা কৌই, মশাগী চহি ৪২ রোম শুরে।

জিরিবাম জিলাগী মোংবুং খুলদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথ্রকপদা সি.আর.পি.এফকী মীওই অমা লৈখিদবা অমসুং মণিপুর পুলিসকী মীওই অনি অশোক অপন নংখিবা থৌদোক অদুবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- মশাগী মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা লৈখিদবা অসিনা মহাকা তৌরম্বা থবকশিং লেমা মাঙলোই। লৈখিদ্রবা পার্সনেল অসিগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা শোক্তুনা লায়কন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফবা ওইরনসু হায়রি।

জিরিবামদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা ঙসি কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা চথ্রকখিবা এটেক অদুবু পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা থৌওং অদু পাংদবগী থৌওংনি হায়না ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়- পার্সনেল অসিনা লৈবাক অসিগীদমক থৱায় থাখিবা অসি মতম চুপ্পদা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি। মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবাদা শরুক য়াবগা লোয়ননা শোক্তুনা লৈরিবা পার্সনেলশিং অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা থোনিজখি।

অমরোমদা, জিরিবাম জিলাগা তমেংলোং জিলাগা তাইনবা খুঙ্গংশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বাবুখাল খুলদা ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা সরকারগী স্কুল অমা য়াওনা য়ুম অমা মৈ থারল্লে হায়রি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- য়ুম অদু ৱারেপ্পম ইবোহনবী সিংহ কৌবা মীওই অমগীনি। মহাক হৌজিক হৌজিক বিদ্যানাগর মল্টিপরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীশক অমনি। শ্রী ইবোহনবীনা ফোংদোরকপগী মতুংইন্না মহাক হৌখিবা মে থাদগী ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরকপনি। মৈ চাকপা অদুদা য়ুম শানবগী থন্বা পোৎলম কয়ামরুম য়াওখ্রে। হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা শান্তি হঞ্জিনহনবা হায়বসি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী অপাম্বনি হায়না মহাকা মখা তাখি।

ফোক্স (এল)ঃ জিরিবাম জিলাদা ইরাং লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্স মরাং কায়না থল্লবসু য়ুম কয়ামরুম মৈ হনজিন হনজিন্না থাবগী থৌদোক চথরক্লিবা অসিবু ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স) মণিপুরনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়- কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা ঙরাংদগী ঙসি ফাওবা অফবা মখলগী খুৎলায় শিজিন্নদুনা মোংবুংদা লেপ্তুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক চথরক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি সরকারনা খুদক্তা লেপবা হোৎনবীগদবনি। ঙসি চথখিবা এটেক অদুদা সেক্যুরিতি পার্সনেল অমা লৈখিদবা অনিনা শোকখিবা থৌওং অদু তেরোরিজমগী থৌওংগা চপ মান্নে অমদি মখোয়গী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপীনবা হায়রি।

সিপিআই (এল)ঃ মণিপুরদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবা অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকবগী পান্দমদা সি.পি.আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা ঙরাংদগী হৌনা মীফম অমা পাঙথোক্লি। হয়েং ফাওবা চথগদবা মীফম অসিদা রাজনীতিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী ৱারেপশিং খক নত্তনা মণিপুরগী মতাংদা পোরম য়াৎপা ৱারেপ কয়ামরুম লৌরবা য়াই হায়রি।

এআর (এল)ঃ   অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চুরাচান্দপুর জিলাগী শঙাইকোত খুলদা সেক্যুরিতিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ভিলেজ ওথোরিতি ১৫ অমসং শঙাইকোত সব-দিভিজনদা লৈবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কলম কম্মান্দর ৮ শরুক য়াখি। মীফম অদুদা শঙাইকোটতা শান্তি থমবা অমদি নহাশিংবু শিক্ষাগী লমদা হেন্না গ্যান তাহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

ৱার্ল্ড য়ুথ স্কিলস নুমিৎকা মরী লৈননা থৌবাল জিলাগী ফুনদ্রে অমসং ককচিং জিলাগী সেরৌদা থা অসিগী ৭ তগী চথুরকখিবা চয়োল অমা চথুগদবা য়ুথস স্কিল ৱার্কসোপ ঙরাং লোইশিনখ্রে। ৱার্কসোপ অদুদা মীওই ৪০ হেন্না শরুক য়াখি অমদি তোঙান তোঙানবা লম অহুমদা নহাশিংবু ত্রেনিং পীখি।

অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাদা লৈবা নহাশিং এস.এস.বি, এন.দি.এ. অমসুং ইন্দিয়ান আর্মদ ফোর্সেসতা করমা চংগদগে হায়বগী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী হৈরোক খুলদা অসাম রাইফলসনা তিলহাৎ হিদাক কাপবা মেছিনশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

কেম্পেন (এল)ঃ   মালেমদা হৌজিক অঙৈং অশাগী খলদা চাউনা শিংনরক্লিবা অমদি মসিনা লমদম অসিদা পীরিবা চৈথেং অসিদা খজিক্তা ওইরবসু কোকবা পান্দমদা ঙসিদগী নিউ ইকোলোজিকেল কেম্পেন হোদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী অৱাং সেকমাই তুলা সিংহ জ়নিয়র হাইস্কুলদগী কেম্পেন অদু লমথাখি। কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর তম্পাক্তা লৈরিবা মন্ত্রি অমদি এম.এল.এশিংদা মেমোরেন্দম খুৎশিন্নগনি। কেম্পেন অসিগী মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা ইনভাইরোনমেন্টেল এক্তিভিষ্ট মনিকান্ট মুতুমনা ফোংদোকখিবদা কেন্দ্র কেন্দ্রগী মীহুৎশিংদা মেমোরেন্দম পীশিনগদৌরিবা অসিদা মফম অদুগী মৈরা পায়বী, ক্লব অমদি মীয়ামা মতেং পাংবীয়ু । মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা ৱাফমশিংদি- সরকারগী থবক চংবা মতমদা উ চারা থাবগী সার্তিফিকেটপু ক্কালিফায়িং দোক্কুমেন্ট অমা ওইনা শকখঙবিবা অমদি উ থাবগী থৌরমশিংদা মপুং ফানা শরুক য়ারিবা মহৈরোইশিং স্কুল অমদি কলেজশিংনা গ্রেস মার্ক হাপ্পীনবা থৌরাং য়াওরি।

কেম্পেন অসি হৌদোকপগী ঙসি অহানবা নুমিৎতা সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখোম দিঙ্গোদা মেমোরেন্দম অদু পীশিনখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী ৱাংবলগী কেন্নেল পরিংদা ঙসি পাক শন্না উ চারা থাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। ৱাংবল গ্রাম পঞ্চায়টকী এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতি, এম.এস.এফ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ, ষ্টেন্দর্দ ৱেলফ্যার ক্লব ৱাংবল অমদি ৱাই.এস.দি.সি ক্লব ৱাংবালগা খুৎশমরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উ চারা ৩০০ লোম থাখি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল-সাইকুল লম্বীগী ৱাইতোন লমখায়দগী হৌরগা ৱাইতোন তাবা লম্বীদসু উ চারা পাক শন্না থাখ্রে। থাখ্রিবা উ চারাশিং অসি সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মাইকৈদগী পীরকপনি।

রাজ্যগী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা হয়েং মন্ত্রিপুখ্রি ফোরেষ্ট ওফিস কমপ্লেক্সতা উ চারাশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

শেংবা (এল)ঃ শিংজমৈ বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা সপাম লৈকাইদগী ৱাইখোম লৈকাই ফাওবগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংনা পুনশিন্দুনা শেমখিবা শিংজমৈ তোর্বান কনবা লুপনা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্বানশিং ঙাক শেনদুনা থমবা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না ঙসি শিংজমৈদগী ৱাইখোম লৈকাই ফাওবগী তোর্বানশিং শেংবগী থবক চথখ্রে। লুপ অসিনা তোর্বান পরিং অসিদা অমোৎ অকায় শেংদোকপগা লোয়ননা মীয়ামা তুরেল তোর্বানদা য়ারিবা মখৈ মনা মশিং থাবগী থবক তৌবীদনবা অমসুং প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং লংথোক্তনবা আপীল তৌরক্লি।

কেম্প (এল)ঃ সি.এম.ও ইম্ফাল ইষ্টকী মখাদা খোংমন গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংচন্না লৈবা লুপশিং খুৎশমদুনা ইমা পান্থোইবী বি.এল.এফ ওফিসতা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ১১৭ লোম লায়েংখি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী ওইনা টেক বি কাউন্সেল্লিং কম একজামিনেসন হয়েং অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা দি.সি. ওফিস কনফরেন্স

হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। পরিক্ষা অসি থাদুনা কেন্দ্দিদেটশিংনা আই.টিগী লমদা মফম কয়াদা থবক তৌবগী খুদোংচাবা লৌহৌনবা চেরোল অদুনা হায়রি।

ওকপা (এল)ঃ কাউন্সিল অমসুং বোর্দনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্ব অমসুং ক্লাস টেন পরিক্ষাদা মায় পাকখ্রবশিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি নোনে জিলাগী খুমজি বাজারদা লৈবা রেহ্মা পাব্লিক একাদমিদা পাঙথোকখ্রে। হোৎনবা হায়বসিনা কৈদৌনুংদসু মাংজবা লৈতে হায়বা হিরমদা লুৱাংরং চুনচম ফুৱামনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মহৈরোইশিংনা তুংগী লম্বীদা করমা মায় পাকা চৎকদগে হায়বগী অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

অমিত সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা এক পের মা কে নাম কেম্পেন হৌদোকখ্রে। ইন্দোরনা নোংমদা উ চারা লাখ ১১ থাদুনা ৱার্ল্ড রেকোর্দতা চন্নবা হোৎনরি।

কেম্পেন অদু হৌদোক্লদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- ইন্দোর অসি গ্রিন সিতি ওইবতা নত্তনা লু-নানবা সহর অমা তপা তপা ওইরক্লি। মহাকা হায়- মধ্য প্রদেশ অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি য়ামা মরুওইবা রাজ্য অমা ওইরি। রাজ্য অসিনা উমংগী শরুক চাদা ৩১ ওইদুনা পুন্না লৈবাক অসিদা উমংগী শরুক চাদা ১২ ওইরি। মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মোহন যাদবসু থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখি।

মদুগী মমাংদা, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা মধ্য প্রদেসকী জিলা ৫৫ মক্তা প্রাইম মিনিস্তর কলেজ ওফ এক্সিলেন্স ঙসি ইন্দোরদগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা হাংদোকখি।

কংগ্রেস ঃ অসামগী কংগ্রেস এম.পি. গৌরব গোগোইবু লোক সভাগী দিপ্যুতি লিদর অমসুং কেরলাদগী কারকপা কে. শুরেসপুনা দলগী চীফ হ্বিপ ওইনা হাপখ্রে। মসিগী মথক্তা কংগ্রেস এম.পি- মনিকম টেগোর অমসুং এম.দি. জৱাইদপু দলগী হ্বিপ ওইনা হাপখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা কংগ্রেস লুচিংবা সোনিয়া গান্ধিনা লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলাদা চেরোল অমা থাখ্রে।

সিএম ঃ অসামগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং নেদাগী চেয়ারমেন হিমন্ট বিশ্বা শর্ম্মনা ঙসি গুৱাহাতিদা লৈবা কোইনা ধোরা ষ্টেট গেষ্ট হাউসতা নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা ল্চিংবা অনিনা খুদোলপোৎশিং লান্নবগা লোয়ননা অসাম অমসুং নাগালেন্দগী মরক্তা তেংবাংনবগী ৱাফম কয়া খন্নখি। লুচিংবা অনিনা অৱাং নোংপোক লমদমগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদসু কুপা খন্নখি হায়রি।

য়ুরোঃ য়ু.ই.এফ.এ য়ুরো কপ ২০২৪ গী ফাইনেলদা স্পেনগা ইংলেনগা শান্নরগনি। জরমনিগী ওলিম্পিয়া ষ্টেদিওন বার্লিন ষ্টেদিয়মদা মেটচ অসি ঙসি নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপা মতমদা শান্নগনি। সেমি ফাইনেলদা স্পেন্না ফ্রান্সপু অমসুং ইংলেন্দনা নিদরলেন্দসপু মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চংলকখিবনি।

অমরোমদা, কোপা আমেরিকা কপগী ফাইনেলদা হয়েং ভারতকী মতম অয়ুক পুং ৫ মখায়দা আর্জেন্তিনাগী কলিম্বিয়াগা ময়ামিদা শান্নরগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এ ককচিংনা শিন্দুনা হৌজিক চখুরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবদা ৱালিদা ৱাবগাইনা য়ু.সি.সি ককচিংবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.আর.দি.সি ককচিংনা কে.এফ.সি ককচিংবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি।

যোগ (এল)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়োগাসন স্পোর্টস এসোসিয়েসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট যোগ ট্রেনিং এন্দ রিছার্স এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা যোগ ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমসুং স্পেসিয়েল কোচিং কেম্প ফোর ষ্টেট চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ হয়েংদগী ককচিং ময়াই লৈকাইদা লৈবা মল্টিপরপজ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ক্রিকেটঃ ভারত অমসুং জিম্বাৱেগী মঙাশুবা অমসুং অরোইবা টোইন্তি টোইন্তি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট সেরিজদা হৌজিক হরারে স্পোর্টস ক্লবতা শান্নরি।

জিম্বাবৱেনা টোস ঙমদুনা ভারতপু হান্না বেত্তিং তৌহনবদা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৬ তুরনা রন ১৬৭ লৌখি। সেরিজ অসিদা ভারতনা ৩-১ দা মাংজিল থাদুনা হান্ননা থোইবা য়াবগী ফিভমদা লৈরবনি।

বিরলা ঃ লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- ভারতকী চাওখৎ খোঙথাংদা অতোপ্পা লমদা লৈরিবা ভারত মচাশিংনা য়ামা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

রসিয়াগী মোস্কোদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মহাকা মফম অদ্দা লৈবা ভারত মচাশিংগী শিংথানিঙাই ওইরবা থৌদাংশিংবু পাল্লদুনা হায়- লৈবাক অসিবু অফবা জাতি অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীরমদা লৈবা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। মহাকা হায়- ভারতকা রসিয়াগা লৈনরিবা মরী অসি হান্নদগী হৌনা য়ামা চেৎপা অমসুং অরুবা তাঙ্ককশিংদা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা লাক্লি।

দিসা ঃ হমারা সংবিধান, হমারা সনমান হায়বা রাজ্য থাক্কী ওইবা কেম্পেন অমা লাক্লিবা লৈবাপোকপা নুমিৎতা উত্তর প্রদেশকী প্রয়াগ্রজদা পাঙথোক্লগনি। দিজাইন্নিং ইনোভেতিভ সোলুসন্স ফোর হোলিষ্টিক এক্সেস টু জষ্টিস (দিসা)গী মখাদা পাঙথোক্কদবা কেম্পেন অসি হন্দক্কী অসিনা অনিরকসুবনি।

থৌরম অসি ভারত সংবিধান চৎনহনখিবা অমসুং গনতন্ত্র ওইবা লৈবাক অমা ওইরকপগী চহি ৭৫ শুবা থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংনা মশা মশাগী ফংফম থোকপা হক্কী মতাংদা হেন্না খঙনবা হমারা সংবিধান, হমারা সনমানগী পোর্তেল অমা হাংলগনি।

এভিএসন ঃ কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি- মুরালিধরন মোহোলনা হায়রি- হৌখিবা চহি তরা অসিদা ভারতকী এভিএসন সেক্তরনা লেপ্পা লৈতনা খুমাং চাওশিল্লক্লি। মালেমগী থাক্তা লৈবাক অসিগী এয়ার ত্রান্সপোর্ট সার্ভিসনা মালেমগী থাক্তা অহুমসুবা মফম কনবা ঙমলে।

পুনেগী লোহগাউন এয়ারপোর্ট ঙসি মীয়ামদা শিন্নবগী থৌরমদা ৱা ঙাংদুনা মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি তরাদা লৈবাক অসিদা নৌনা নোংথক্কী লম্বী ৪৬৯

হাংবগা লোয়ননা দিল্লি, বেঙ্গলোর অমসুং অয়োধ্যাদা অনৌবা তর্মিনেল শাবা ঙমলে। মহাকা মখা তানা হায়- অথুবা মতমদা লৈবাক অসিদা নৌনা এয়ারপোর্ট ২৫ রোম শেমগৎলগনি।

পনবা য়াই, পুনেগী অনৌবা টর্মিনেল অসি চহি অসিগী মার্চ ১০ দা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা শঙ্গাখ্রে। অদুগা টর্মিনেল অসি ঙসি পেসেঞ্জর সার্ভিসকীদমক হাংদোকপনি।

দোনাল্ডঃ আমেরিকাগী হান্নগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্প ঙরাং নুমিদাং বটলরদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা রেল্লি অমদা শরুক য়ারিঙৈদা নোংমৈনা কাপশিল্লকপদগী শোক্লে হায়রি। সেক্রেট সার্ভিসকী পাউনা হায়- হৌজিক দোনাল্ড ত্রম্প খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে অমসুং চেকশিন্না ঙাক শেনদুনা থল্লি।

থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অমা অমসুং মীখলগী রেল্লি অদু য়াওবা লাকপা মীওই অমা শিখি, অমনা অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথুরি। চেরোল অমদা ত্রম্পনা সেক্রেট সার্ভিস অমদি লো ইনফোর্সমেন্টপু অথুবা মতমদা থবক পায়খৎপগীদমক থাগৎপা ফোংদোক্লি।

দোনাল্ড ত্রম্পতা চথুরকখিবা এটেক অদুবু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লি। সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়- রাজনিতি অমদি গনতন্ত্রদা হিংশাগী মফম লৈতে।

থৌদোক অদুবু য়ুনাইতেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনেরেল এন্তোনিও গুটরেস য়াওনা মালেমগী লৈবাকশিংগী লুচিংবা কয়ানা থৌদোক অসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

------